

# সনালৈবাক স্পোর্টস





কজাকস্থানদা পাঙথোকপা প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী নুপাগী কেজি ৯১ গী কেটেগোরিদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী গৌরব চৌহান

ন্যু জিলেন্দ ইন্টরনেসনেল ক্লাসিক স্কুৱাস চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেল মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী মহেস মনগাওকর

## লাটভিয়াগী ইলেনা ওস্টাপেঙ্কোনা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম ২০১৭ কী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা লাটভিয়াগী ইলেনা ওস্টাপেনকোনা ট্রোফি চুপ্পা

*পেরিস, জুন ১০ ঃ*

চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা লাটভিয়াগী ইলেনা ওস্টাপেনকোনা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লামগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবা ওস্টাপেনকো অমসুং সাইমোনা হালেপ্পা মথংশিংনা স্বিজরলেন্দগী টিমিয়া বাস্কিন্সকি অমসুং জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাবু মায়থিবা পীরম্বনি।

ওস্টাপেনকোনা বাস্কিন্সকিবু ৭–৬(৭–৪), ৩–৬, ৬–৩ দা থোইরমখি। অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ্পা নম্বর টু শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাবু ৬–৪, ৩–৬, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

ঙসি লাটভিয়াগী ইলেনা ওস্টাপেনকো অমসুং রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ্পা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু অকনবা লম্বা তৌনখি।

অহানবা সেটতগী হৌরদুনা অমনা অমগী অশোয়বা ঙাইনদুনা শান্নরকপদা সাইমোনা হালেপ্পা ওস্টাপেনকোগী সার্ভিস গেম ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইরগা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

চপ মান্নবা মওংদা অনীশুবা সেট অদু ওস্টাপেনকোনা হালেপকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা দিসাইদিং সেট শান্নবা শেম শান্নখি।

মদুদা ওস্টাপেনকোগী মায়কৈদগী ফজবা হেল্লকপদগী হালেপকী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা অমদি মহাক্কী সার্ভিস গেম অদু ব্রেক তৌহনবা ঙমখিদবদগী অরোইবা সেট অদু ৬–৩ দা থোইদুনা চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী ফাইনেলদা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকা হয়েং লম্বা তৌনরগনি।

## ইংলেন্দনা ওস্ট্রেলিয়াবু দিএল মেথদতা রন ৪০ দা থোইদুনা মেটচ ৩ শান্নবদা ৩ মক মায় পাকপগী রেকোর্দ থমখ্রে



*বিরমিংঘাম, জুন ১০ ঃ*

ইংলেন্দ অমদি ৱেল্‌সনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা আইসিসি চেম্পিয়ন্স লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী গ্রুপ (এ) গী অরোইবা মেটচতা সেমি ফাইনেলগীদমক মাঙজৌননা ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইংলেন্দনা ঙসি ওস্ট্রেলিয়াবু দিএল মেথদতা রন ৪০ দা থোইদুনা লীগ মেটচ ৩ শান্নবদা ৩ মক মায় পাকপা ঙম্বগী রেকোর্দ অদু ইংলেন্দনা থম্বা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা ওস্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী ৱিকেট ৯ তুরগা রন ২৭৭ লৌবা ঙমখি।

ওস্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী ওপনর দেবিদ ৱার্নর ঙন্না রন ২১ দা আওট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা কেপ্টেন ষ্টিভন স্মিথ অমসুং অতোপ্পা ওপনর আরোন ফিন্সনা ওস্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুবু মখা তানা ফজনা পুখৎলকপা ঙমখি। মখোয় অনীগী পার্টনর্সিপ্না রন ৯৬ হাপচিল্লগা ইংলেন্দগী অপুনবা স্কোর ১৩৬ য়ৌরকখি।

অরোন ফিন্স বোল ৬৪ দা রন ৬৮ লৌরম্লগা আওট ওইখি। স্মিথ রন ৫৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অদুবু ট্রাবিস হেদনা ইন্নিংস লোইবা ফাওবা শান্নদুনা রন ৭১ লৌখিবদগী ওস্ট্রেলিয়াগী স্কোর অদু রন ২৭৭ য়ৌবা ঙমখিবনি।

মায় পাক্লবা ইংলেন্দনা রন ২৭৮ গী টার্গেট তৌরকপা অদু ওভর ৪১ গী অনীশুবা বোলদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ২৪০ লৌদুনা লৈরিঙৈ নোং তারকপদগী মেটচ অদু পন্থুখি।

ইংলেন্দগী কেপ্টেন ইয়োন মোর্গান রন ৮৭ লৌরমখি। অদুগা ক্রিজতা নোংনা লেপহন্দ্রিঙৈ মাঙওইননা বেন ষ্টোক্স অমসুং জোস বট্টলর মথংশিংনা রন ১০২ অমসুং ২৯ লৌদুনা লৈখি।

নোংগী ফিভম অদু ফৎচিলক্তবনা মেটচ অদু মখা তানা শান্নবা য়াদবদগী দিএল মেথদতা ইংলেন্দনা ওস্ট্রেলিয়াবু রন ৪০ দা থোইবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী গৌরব চৌহাননা প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিংদা সিলভর ফংখ্রে

*অস্টানা, জুন ১০ ঃ*

কজাকস্টানগী অস্টানাদা পাঙথোকপা প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরব চৌহাননা কেজি ৯১ গী কেটেগোরিদা সিলভর ফংখ্রে।

গৌরব চৌহাননা ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৯১ গী ফাইনেল মেটচ অদুদা টুর্নামেন্ট অদুগী য়ুম্বু কজাকস্টানগী বোক্সর বাসিলি লেভিটকী মখুত্তা মায়থিদুনা সিলভর মেডল ফংহৌবনি।

পনবা য়াবদি প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্টকী অসিগী নুপীগী কেজি ৭৫ গী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর লোব্লিনা বোরোঘাইননা মাঙজৌননা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রবনি।

ঙসি গৌরবকী সিলভর অদু থারগা পুন্না বোক্সর ১৫০ রোম্না শরুক য়াখিবা প্রসিদেন্টস কপ বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা সিলভর মেডল অদু ফংদুনা টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী কেম্পেন লোইশিনখি।

## ইন্দিয়াগী কম্পাউন্দ মিক্স টিম্না ব্রোঞ্জ ফংখ্রে

*অন্টালিয়া, জুন ১০ ঃ*

টর্কিগী অন্টালিয়াদা পাঙথোকপা আর্চরি ৱার্ল্ড ষ্টেজ টুগী ঙসি পাঙথোকখিবা কম্পাউন্দ মিক্স পিয়রদা ইন্দিয়াগী অভিসেক ভর্ম অমসুং দিবিয়া দাহলনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংদুনা পার্ফোমেন্স ফজনা উৎপা ঙমখিদ্রবা ইন্দিয়াগী টিমদা নুংঙাইবা মীৎকুপ অমদি পীবা ঙমখ্রে।

ঙসি অয়ুক্তা পাঙথোকপা কম্পাউন্দ ইভেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম অনীমক মায়থিহৌখি। নুপাগী টিম অদু ফ্রান্সকী টিমগা ব্রোঞ্জ মেডলগীদমক লম্বা তৌনবদা পোইন্ট য়াম্না নক্কনা ২২৭–২২৮ তা মায়থিহৌবনি।

মদুগী মতুংদা পাঙথোকখিবা নুপীগী টিমগী কম্পাউন্দ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম ইটালিগী টিমগী মখুত্তা পোইন্ট ২২২–২২৭ দা ব্রোঞ্জ মেডলগী প্লে ওফদা মায়থিহৌখি।

অভিসেক ভর্ম অমসুং দিবিয়া দাহলনা ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা মখোয়গী লম্বা টিম অদুবু পোইন্ট ১৫৪–১৫৩ দা থোইদুনা ৱার্ল্ড কপ অদুদা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা মেডল অদু লৌখিবনি।

## প্রিয়াঙ্কা করকেটানা নেসনেল জুনিয়রগী অনৌবা লোং জম্প রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রে



*লক্ষ্ণৌ, জুন ১০ ঃ*

উত্তর প্রদেশকী লক্ষ্ণৌদা লৈবা পিএসসি এঠলেটিক্স ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ১৫ শুবা ফেদরেসন কপ জুনিয়র এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা ঙসি নুপীগী লোং জম্পতা প্রিয়াঙ্কা করকেটানা মিটর ৬.৩০ চোংদুনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ১৮ দা ঙাইরিবী ঝরখন্দগী জুনিয়র এঠলিট অসিনা কুমজা ২০০২ দা রুতা পাটকরনা মিটর ৬.২৫ কী রেকোর্দ থম্লম্বা অদু ঙসি চহী ১৫ গী মতুংদা প্রিয়াঙ্কা করকেটানা থুগাইবা ঙমখিবনি।

প্রিয়াঙ্কানা নুপীগী লোং জম্পকী ফাইনেল অদুদা রাউন্দ ৬ চোংবগী মনুংদা অহুম ফাউল তারগা অতোপ্পা রাউন্দ ৩ দা মিটর ৬.২৭, ৬.২৩ অমসুং ৬.৩০ চোংবা ঙমখিবনি।


পটিয়ালাদা হন্দক্তঃ লোইশিনখিবা ফেদরেসন কপ এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা নুপীগী সেনিয়রনা নয়ানা জেমসনা য়াম্না ফজবা মওংদা মিটর ৬.৫৫ চোংদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবা অদুগী মতুং প্রিয়াঙ্কানা অমুক জুনিয়রগী মায়কৈদা হান্না লৈরম্বা রেকোর্দ থুগাইবা ঙম্লকপনি।

হন্দক্কী নুপী এঠলিটশিংনা লোং জম্পতা ফজরকপা অসি কুমজা ২০০৪ গী এঠেন্স ওলিম্পিক্সতা মিটর ৬.৮৩ চোংদুনা ইন্দিয়াগী ওইবা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবী ৱার্ল্ড চেম্পিয়নদা মেডল ফংবা ঙমখ্রবী অমত্তা ঙাইরবী ইন্দিয়াগী নুপীগী এঠলিট অঞ্জু বোবি জোর্জগী মতুং ইল্লকপগী অচৌবা শক্তম অমা ওইরি।


NATION TAX MARKET

COMMITTED TO TAXPAYER SERVICES

সেন্ট্রেল ইক্সাইজ অমসুং সার্ভিস টেক্স থিরিবশিং পুম্নমক জিএসটিদা
মিং য়াওদ্রবদি, হৌজিকমক য়াওরো




য়াওননবা থবক হৌরে
– অতেনবা মতম খক্তগীনি

জিএসটি পোর্টেল (www.gst.gov.in) দা য়াওদ্রবদি চৎনদুনা লৈরিবা আইনগী মখাদা দ্যুতি / টেক্স ক্রেদিটশিং জিএসটিদা পুনশিনবা য়ারোই।

য়াওননবগীদমক, এসিইএস পোর্টেলদা ফংবা প্রোভিজনেল আইদি অমদি পাসপোর্ট শিজিন্নবিয়ু। খুদক্তা জিএসটি পোর্টেলদা য়াওবীদুনা দ্যুতি / টেক্স ক্রেদিটকী মাঙজবা অদু থিংবীহৌ।

অদোমগী করবার অদু জিএসটিদা কোম্না ওনশিন্নবগীদমক মতম চানা এনরোল তৌহৌবনা অয়াবা ফংগনি।

খুদোংচাবা অসি লৌহৌদ্রবদি প্রোভিজনেল আইদি অদু কক্কনি। টেক্স থিগদবশিংনা নৌনা রেজিষ্টার তৌননবা এপ্লাই তৌগদবনি।

খঙজিনগদবা ঃ জিএসটিদা হোংজিন্নবগীদমক পান য়াওদবা য়াদে। চৎনরিবা পান লৈতবা সেন্ট্রেল এক্সাইজ অমসুং সার্ভিস টেক্স রেজিষ্টার তৌগদবশিং হোংদোকপা য়ারোই। অদোমগী মোবাইল নম্বর অমসুং ই-মেল আইদি হোংজিনদ্রিঙৈদা এসিইএস পোর্টেলদা অপদেট তৌগদবনি।

খুদোংচাদবা / খঙনিংবা লৈরবদি, অদোমগী মফমদা লৈরিবা কমিসনরেটশিং / দিভিজনশিংগী জিএসটি মাইগ্রেসন সেভা কেন্দ্রশিংগা উন্নবিয়ু নৎত্রগা সিবিইসি হেল্প দেক্স নম্বর ঃ ১৮০০–১২০০–২৩২ দা কোল তৌবীয়ু নৎত্রগা অদোমগী ই-মেল অদু cbecmitra.helpdesk@icegate.gov.in দা থাবিয়ু।

davp 15502/13/0029/1718

জিএসটিগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং @askGST_GoI দা ট্বিট তৌবীরকউ

দাইরেক্তরেট জেনরেল ওফ টেক্সপেয়র সার্ভিসেস
সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কস্তমস
www.cbec.gov.in

ঐখোয়গী তুং ইনবিরকউ cbec_India